ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯳꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, ওগষ্ট ০৫, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১৩১শুবা মশীং


## খঙদবা শঙবাই, অখঙবা লিকখাই

### লিগেল এর্ব্রেনের্সকী মথৌ য়াম্না তারি

লৈবাকসিগী লৈঙাক্লোন, মীপূম তিংনা চৎনগদবা চৎন-কাঙলোন ময়ামসি লৈবাকসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না খঙফম থোক্তব্রা? খঙগদৌরিবা, খঙদবসু য়াদবশিংসিগী মশীংদি য়াম্না য়াম্মী। জন্যুৱারী ২৬, ১৯৫০দগী চৎনরক্লিবা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন খক্তদা ওন্থোক্না য়ামখ্রে। মসিগী মথক্তা লৈবাকসিগী লো এন্দ ওর্দর, ইন্টিগ্রিটি, পিছ এন্দ ত্রানক্বেলিটি মেন্টেন তৌননবা, থোকহন্নীংদবা, থোরকফমসু থোক্তবা ক্রাইম অমসুং ওফেন্সশিং থোরকহন্দনবা পেনাল প্রোভিজন কয়াসু কোকথোং অমা লৈরি। মসিগী মনুংদা মপূং ওইনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ অমসুং ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদনচিংবা য়াওরি। নুপী অমসুং অঙাংদা চথবা মখল কয়াগী ক্রাইমশিং হেঙ্গৎলকপদগী অঙাংশিং খক্তগী ওইবা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্সেস (পোক্সো) এক্ট ফাওবা শেমদুনা কুমজা ২০১২দগী চৎনহল্লক্লি। হায়রিবা এক্ট, লোশিংসি নত্তবা অতৈসু ময়াম লৈরি। ইশম শন্নবদা লৈবাকসি মীচম মীয়াম পূম্নমক লৈবাকসিগী লৈজরিবা চৎন-কাঙলোনশিং অসিনা য়োমশিল্লিবনি।

মসি ওইরগদি মীয়াম্না শীজিন্নগদবা, ঙাক্তুনা চৎকদবা লো, রুল অমসুং এক্টশিং অসি মীয়াম্নদি খঙফম থোক্তব্রা? ৱাহংসিগী পাউখুমদদি হায়রিবা লৈবাকসিগী চৎন-কাঙলোনশিংসি মীয়াম্না লোইনমক অমমমতা ওইনা মমুৎ তানমক খঙদ্রবসু লো, রুল অমসুং এক্টশিং অসিগী বেসিক আইদিয়া খরা ফাওবদি লৈফম থোকই হায়নীংই। চুম্নতা লৈ হায়বা খঙবা ফাউবনা অচৌবা মতেং ওইগনি খল্লি। হৌজিক্তি মালেমগী ওইনা সোফ্টৱেয়র টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাওখৎলকপদগী মসিগী মনুংদা য়াওরিবা কম্যুনিকেসনগী পাম্বৈ অমা ওইরিবা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদগী সাইবর ক্রাইম হায়বগী ৱাফম ফাওবা থোরক্লিবনি। হায়বদি, মীওইবা খুন্নাইনা নুংতিগী চাওখৎ লমজেল য়াঙনা চেনখৎলক্লিবা মখৈ মসিগীসু ওন্ন-তৈনবদা লান্না শীজিন্নবগী থৌওংশিংসু লোয়নরকপনা মসিবু লৈরিবা লো, রুল অমসুং এক্টশিং অসিনা য়াচল লাক্তুনা কন্ট্রোল তৌগদৌরিবনি। লৈজরিবশিং অসিনা কোন্নরক্তবা, চুনবা চানবা য়াওদ্রগনা হান্নদগী লৈজরক্লিবশিংসি শেমদোক-শাদোকপা (এমেন্দমেন্ট) গী থবকশিং চথ্নগদৌরিবনি। তৌসু তৌরিবনি। তঙাইফরক্তগনা পুমনৌ নৌবা, অনৌবশিং শেমদুনা চৎনহনগদৌরিবনি।

অদুবু হায়রিবা এক্ট, রুল অমসুং লো ময়ামসিবু খঙবা, মনুং থিংনমক খঙবা নৎত্রবসু লৈ, চৎনরি হায়বা ফাওবা খঙবা মীওইশিংগী মশীং কয়াম য়াম্লম্লগদগে? ৱাহংসিগী পাউখুমদদি খঙদবনা শঙবাই, অখঙবনা লিকখাই হায়বগী পাউখুমসি পীবনা চুমগনি হায়নীংই। মরমদি লৈবাকসিদা তাহৈ-উহৈদবা থৌদোক কয়া লেপ্তুনা থোক্লি। চুম্না থোকপদগী হেন্দোরক্তুনা অসিগুম্বা ক্রাইম অমসুং ওফেন্সশিং অসিগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। ফীভমসি পীকখ্রবা ষ্টেটসিদসু চপ-মান্ননা থোক্লি। থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা ৱারু-নুংজু থোক্লরি। মীচম মীয়ামগী পুন্সিদা থোরকহনফম, মায়োক্নহল্লকফম থোক্তবা অনৌবা থৌদোকশিং ওইনা হাপচিল্লক্লি। মসি ওইরগদি নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নলসা) গী মখাদা লৈরিবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী মায়কৈদগী মীয়ামদা লিগেল এর্ব্রেনের্সশিং পীবগী থবক হেন্না পাক শন্না পায়খৎহন্নীংই। মসলসানা তৌদে হায়বা নত্তে, তৌরি। মতম মতমগী ওইনা চৎনরক্কদবা থবক থৌরমশিংগা মরী লৈনবা লো, রুল অমসুং এক্টশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লি। অদুবু মসি নত্তবদা খরা হেন্না কনশিন্না অমসুং তোয়না পাঙথোকহন্নিংই হায়বনি। অদুগা মসলসা খক্তসু নত্তনা মরী লৈনরিবা গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্টশিংনসু মীয়ামদা লিগেল এর্ব্রেনের্স পীনবগী প্রোভিজনশিং এয়র মার্ক তৌদুনা তঙাইফদবা থবকশিংনি হায়দুনা প্রাইওরিটি পীদুনা থবক পায়খৎহন্নীংই। মসি ওইরগদি ক্রাইম অমসুং ক্রিমিনেল ওফেন্সশিংগী মশীং খরদি হন্থরক্কনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩

১) কুমজা ১৯৬৫ইংদা ফোঙখিবা *‘লৌনম’* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) *‘‘বীরবাহু তুবা’’* হায়বা লাইরিক অসি মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?

৩) *‘‘নোংচুপ নোংপোক্কী মীনা সনামহী পাখংবা লাই অয়াম্বদা চঙফদে। মাইবা লোয়শঙ অহুম্মাদা খনফদে। দোলাইপাবনা নিংথৌগী শঙ্গাই চঙফদে।’’* ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৪) বাংলাদেশতা ফোঙখিবা মণিপুরী সাহিত্যগী অহানবা চেফোংদু করিনো অমসুং করম্বা মতমদগী ফোঙবা হৌখিবগে?

৫) *‘‘ভাগবত ধর্ম্ম অমসুং ভ্রমর গীত’’* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইপুদা ইজবা চিঠি - ১

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পেন্দমিক মনুংসিদা ওন্থোক্না ৱানা লেংথবীরক্লিবা ইপুখোয়বু অহানবা মক্তদা ইকোক নোঞ্জদুনা পুনেমজরি। ইপুখোয়, কোরোনাগী মাস্ক উপশিনবসিদা কনানা কনানো অমত্তা খঙনদ্রে, ঐবুসু ইপুখোয়না খঙবীরম্মরোই, ঐনে, কুম হেক খুদিংগী ইপুখোয়না লেংবীরকপদা হেক হেক পাউদমজবদো। ইপুখোয়গী মথকলোমদদি খঙদ্রে, মখারোমসিদদি কোরোনা হায়সিতবু শেন্নবদা কল্ল-কল্লবা লৈবাক কয়া থ্রোক-থ্রাক তারে। কনাগী লৈবাক ঙাকলোন কাঙলোনগা পুমচাই চাইরে। মানা-মানা নীংবদু ঙাক্তনি তৌনরিসি। মতম অমদদি করিগুম্বা লায়না-তীলনাগা মরী লৈনবা লাইচৎ অমা লাকপদা, লৈঙাক লুচিং পুরেলশিংনা সাইন্টিষ্টশিং অমদি অখঙ অহৈশিংগী ৱা তারগা য়াম্না কূপ্না চেকশিন্না কমদৌসিগে হায়না লৈঙাক কাঙলোন শেল্লম্মী হায়বৈ ৱারী-ৱাখোঙ তাবা ফংজেদো, অদুবু ইপুখোই হৌজিক্কানসিদি চাওখৎলকপনরা, হৈবা হেনজিন্নরকপনরা কৈনো, ঐনা খঙবা, মানা খঙবা হায়বগী ৱা অমত্তা লৈনদ্রেদো সব-জান্তাগী টাইপতা লোইনা লৈনরে। মীসি য়াম্না ওল্লে, লৈঙাক থৌঙাক্কী খুভমদা হেক কাখিবগা কনাগী সাইন্সকী, আর্টসকী ৱাসু, এঞ্জিনিয়রগী, য়ূমশা, থোঙ-কৈশা, লুর-লুরবা মী অমনা চহী কয়া চঙনা অহিং তূমদখৈ লাইরিক পাদুনা ফংলকপা লৌশিংগাইদু মোইনা লোইনা শুপখঙ হেক্তা ওইরে, তম্মুরিবা খঙলিবগাইদুদি আদা লৈহৌরে তৌরিসে ইপুখোই। ফম চাউরদি মীসি লোই শুপখঙ ওনবরা খঙদে। লাইরিক্তা য়াওবগা য়াম্না খেন্নরেদা তৌরিসি।

স্পোর্টসকী লম্দা মালেমগী শান্নবুংগী খ্বাই মতোন য়ৌনা কারকপা হায়সিবু ফাগিগী থবকলো? মেদল লৌবা লৌদবা, মদুদবু শরুক য়াবা ফংলবদিকো হায়দুনা মালেমগী শান্নরোয় খুদিংমক্না থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনরিবনি। অদুনদি মেদল লৌদ্রফাওবদা শান্নবা ফংলবদি মীথোই মীহেল্লবনি হায়না লৌবা য়াই। মসি অমনা হেক্তা ঙন্বা থবক নত্তে। মতিক চাবা মতমগা চুনবা, শান্নবগী মফম, মচাক মরল, খূৎশু খূৎলায়নচিংবগী লৈনবা হোৎনবা, শেমগৎ শাগৎপগী থবকসিদি চিনগী ৱানি কৈমতা তৌবীবা নত্তে। মমিৎতগী মপি তাখৈ শান্নরক্লগা, মেদলগা পুরকপা মতমদতা থাগৎপীবৈ ৱানি। হন্দক অৱাবা ৱারীনা পুময়োম য়োল্লবী নুপীমচা অমনা ওলিম্পিক্তা মেদল ফংলকপদা কোরোনাগা কাউখৈ পুমঙাও ঙাওনখ্রে। জপান্দা ফাওবা ওলিম্পিক হৌবগী অদুক চাওখ্রবা থৌরমদু মীওই ৯৫০দগী হেন্না তিনখিদে। মদু মালেমগী মীপূম খুদিংনা টি ভি চেনেলশিংদা নুংতিগী য়েংনখি। অদুবুনে ইপু, মেদল ফংলকপগী ওকপা থৌরমদুদি মণিপুরদা মৈ তাখি। মীনা ক্রিক-ক্রিক ইন্নখি, টোটেল কর্ফিয়ু থিবা খঙখিদে, ঙাইহাক মাঙখি। নোর্থ ইষ্টকী মীশিংবু ইন্দিয়াগী মফমশিংদা দিসক্রিমিনেট তৌবীবা, উশিৎ-থওইবীদবা, করেম কথাইনবা, নোংমদা লুপা কয়া লৌগে গাইনা হংই হায়বগী ঙাইহাক লৈতনা ওনশিন-ওনশিন্দুনা মখূৎ চিংবগী থবক তৌরগসু ইন্দিয়াগী ওইনা মেদল পুরকপসিদদি মথুম মরাং হৌখি। অদুমক্নফাওবা চাইনাদগী কনানা নেক্লুরিনো হায়না ফাওবা করেম্নবা য়াওখি। তুকৎচখ্রবা মচিন অমদি মবুক্লিং হায়দুনি। হোয় লোইনমক্কী ৱাবুদি নত্তে।

ইপুখোই মতমদসু ফম চাউরগা মী উশিত্তবা য়াম লৈখি, মদু হৌজিকসু অদুম হনদ্রি, অদো ইপু, মীসি চাউর-চাউরগা সুম পিকশিল্লক্লিসি করিগীনো? চাওরগবু য়াম্না পিকপা মীগী টাইপতা পেদোং-পেদোং ঙাঙবসিবু, ঙাঙলিবা মশাদুবুদি ঐগীসি অচৌবগী ৱানি খল্লম্বা য়াই, ঐখোয়গুম্বনা তাবদদি, য়াম্না পিকপা মীনা ঙাঙবদৌনা তারিসিনা কমদৌরিনো খঙদে। তারিবা ঐখোয়গী নাকোংসিনা লাল্লিজ াৎলা? মীনা ঙাঙবসু তানদে, ঐনা ঙাঙবদুনা ফরে হায়না খন্নে। হাকুমদৈ হৌজিক ফাওবসিদা পিকখ্রবা লমসিদা মাগী কোরোনা হায়দুনা নারিবা, শিরিবসি ওখাক য়াম্মেদনা, অদুবু কাঙলোন নাইনা সিমতংদি হায়বা অমফাওবা হেক লৈতে, খুদক খুদক্কী, কৈথেল নংনবা শিনবা মানবা, হায়দি লৈদনা ইপু, লুহোংলমদাইদা কোই কোকপা হায়ব্রা, শম ককপা হায়ব্রা কৈনোদু অদুগী টাইপতা থবকসি শিল্লি।

ইপুখোইনা লান্দা মায়থীবগী, বৃটিশনা নমলৌ লৌশিনখিদুনা মোইগী মখূত্তা ইরৈবাকসি তাদুনা লাকখ্রিবসি, মদুদৈ, লৈবাকসিনা মনীং তম্না শ্বর হোনবা ঙমজদদুনা লাক্লিবসি। মদৈ অমুক কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দদি ইরমদম অসিনা ইন্দিয়াদা তিনখিঙৈদগী অমুক শ্বরসি ৱাইরগা হিংবা হায়দুনিনে তৌরিসে ইপুখোই। হৌজিকসু হায়দোক্লগা ফজদবৈ ৱানি, জিরি লম্বীনা তৎখিবা, দিমাপুর লম্বীনা শম্নদবা মতমদা লমদমসিগী মী ময়ামসিদি চানীংঙাই লৈতদনা পুক পায়রগা চরি তৎখৈ খঙনরিনি। চাওখৎলে, ঐদি কার মমল অতাঙবা তোংজরে গাইনা মুক্তুনা লৈরিসে, গাড়ী চাকাগী বুলদু মচা অমা ৱাৎপদা এরোপ্লেন তোংলগা গুৱাহাটি খঙদে, কোলকটা খঙদে বুলদু লৈবা চৎনরিবনি। লমদমসিদা ত্রেন লম্বী শম্ননি-শম্ননি হায়রিসি কয়া কুইরগেদো, ইন্দিয়াগী মনুংদা সুক কুইরবসিদা ত্রেন লম্বী শম্নদবা লম অমা হায়রদি ঐখোয়সি নত্তনা অতৈ লৈত্রবনি, শেম্বু শেম্বীগে হায়রদি নহান্না শেম্বীরম্বা য়াবনি। হৌজিকসু মীখল ময়াগুম্বা অসিদা লাউ খোংনরক্লনি, অদু তৌরনি, অদা তৌরনি হায়না, ইপুখোই হায়দোক্লগা ফজদে হায়বৈ ৱানি, শুংতৌদি তৌররোইদবনি। বৃটিশনা পাল্লিঙৈ মতমদুদা মোইদা খরা নপশিল্লগা ত্রেন লম্বী শেমহল্লম্লসু ফদৌবা। অদু য়ৌনা খনবা ঙম্বা মী লৈখিদবনরা কৈনো শেম্বীরমদে। বৃটিশনসু কোক শান্নরম্মীরা খঙদে।

ইহে ৱাসি ফৈদোক্তুনা চৎখিদৌরে, কোরোনাগী ৱাদগী শম্নখিবনি। ইপুখোই, ঐখোয়গী লমসিদা অসুক কুইরবা মতমসিদা অনা-লায়েংগীদমক ওক্সিজেনগী তঙাইফদবসি থোইনা মৱা লৌরমদে, হন্দক কোভিদকী সেকেন্দ ৱেভ লাকপসিদতা খঙবনি, অদুসু মী তখৎতনা শিন্নরকান্দতা। ওক্সিজেনসি শেন্নবতদা মণিপুরগী ৱা নত্তনা ইন্দিয়াসি হুমাং কাংনখ্রবনি। হৌজিকপুদি শুংফম খরা শেমগৎ শাগৎপগী পাউ লৈখ্রে, সি য়াম ফরে। অদুবু সেকেন্দ ৱেভসি ঐখোয় মণিপুরসিদদি থেংনবা ঙমদ্রি, মমল নাইদ্রবা মী কয়া অমা নম-নমদুনা অশিবা লাইনা পুরগা চৎখ্রবনি। মরকসিদা থর্দ ৱেভ হায়দু অমুক য়ৌশিল্লক্লনি, মসিদনা কনা কনা শীংথেক শীংথাবদা য়াওরবনো খঙদে। অসিমক্তদা ইপুখোই ঐখোয় ময়ামসিসুনে কিদ্রিরা, খঙদ্রিরা নৎত্রগা থওইদ্রিরা অমদি অদুম তৌরি। মাস্ক উপ্পু হায়সিমক্তবু নীংথি নুংঙাইনা উপ্পীদে। থ্রী লায়র সর্জিকেল মাস্ক অমনা মফোন পুমথোক থোক্লবা মচু শেংদ্রবা থা অমরোম উপ্পরবা মাস্ক উপ্পগা থোক্নরকই। মাস্ক উপ্না উপ্না অদুম নারিসিবু কৈকান্নবনো হায়না লৌথোকপসু ময়াওরি। মী অমগা মী অমগা ফীট তরুক লাপ্পসি হায়সিমক্তবু ঙাঙনবদা ফি মাংনরে হায়দু হেক য়ৌই। খূৎ-শা নিংথিনা হামদোকসি হায়সি হৌজিক ফাও তাক্নরি। ঈশিং বালটিন অমদা মখূৎ চুপ চুপ লুপ্পগা ফদ্রৎ-ফদ্রৎ কল্লগা চাক চারি। খূৎ হাম্বা ফাও তাক্নরিনে ইপুখোই। খূৎ হাম্বগী কাঙলোন ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পীরিবদু চুম্না অমত্তা হামদে। হোয় ইরায় লায়না লৌবা য়াববুদি নত্তে, অদুবু কোভিদসিদি ইশা ইশানা নিংথিনা চেকশিল্লগদি ভাইরসসি চঙহন্দবা য়াবজাৎনি। চেকশিনদবৈ ৱানি। ভাইরসসি ইপুখোই ঐখোয় ইশানা লৌরুবা ঙাক্তনি, ভাইরসনা লাক্লগা ঐখোয়বু নাহনবা নত্তে হায়সি ঐখোয় খঙলসু খঙদবগুম তৌরিসিনি।

লোইশিল্লকপদা লোন্না পাউ অমতং তমজগে, সেকেন্দ ৱেভ হৌরকপদা, লায়েংশঙদা অনাবা মীং চনবসি গভর্ণমেন্টননে কম্মিটি অমা শেম্মগা মীং চল্লম্মী। অঙকপা মতৌ অমনি, শ্বর হোনবা য়াদদুনা খপ খপ চিংলবদু মীটিং তৌবা ঙাইরগা মদাউ য়াবনা বেদ ফংলে, য়াদবনা অদুম তৎলে। মীং চনবা ঙাইনরিঙৈদা তৎপা য়াম য়াওনখ্রজাৎনি, শ্বর হোনবসিবু ইপু মিনট ১০ লেপ্পদা অদুম লোইরবা নৎত্রো? লন্নাইগী লায়েংশঙদগা লাইবক থীদনা লায়রবনা মীং চন্দুনা লয়েংবদা কুম্মৈ তাবজাৎনি বিলজাও বিলজাওদুনা। শিরসু শেল পীবা ঙমদবনা অশিবা লৌবা য়ানি য়ারোইগাইনা য়াম্না ৱাথোক থোক্লবা য়াওখ্রজাৎনি। মসিগী ৱাসি সোসল মীদিয়াদা সরা শন্নখ্রবনি। অদুনা নাবগা য়াপোত্তে। নাদনবা হোৎনবদা য়ূমদৈ হেন্দোক্লদ্রে। তূম্বা ৱারে হায়দুনা অমুক হিপকনি, হিপ্পা ৱারে হায়দনা অমুক তূমগনি, ফম্বা ৱারে লেপ, লেপ্পা ৱারে অমুক ফম নুংঙাইখ্রজাৎনি ইপুখোই। ঙসিগীদি মতাং অসিদা লোইশিনজরগে, মথংদা অমুক খরা ইজরক্কে।

— নখোয়গী নশু অমা ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৭৩

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ৮, ২০১০ ইং :-** জুলাই ২৩দা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা থোকখিবা থৌদোক মতুংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদু ঙসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং অপূনবা লূপ, জে এ সী অনী এমসু, এম এস এফ অমদি কে এস এগী মরক্তা ৱারী শানদুনা পোইন্ট মরিদা য়ানখ্রে। হয়েংদগী মহৌশাগুম ক্লাস হৌনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অপীল তৌরক্লি।

অপূনবা লূপ অমসুং লৈঙাক্কী মরক্তা ৱারী শানবা অদুগী মতাংদা ঙসি এস পি এফকী স্পোক্সপর্সন ওইরিবা আই এফ সী দি মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, জুলাই ২৩গী মতুংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মতাংদা ঙসি ৱারী শানখিবা মহয় য়াল্লে। অপূনবা লূপকী মায়কৈদগী ক্লাস বোয়কোটকী খোঙজং হন্দোকখিবগা লোয়ননা হয়েংদগী মহৌশাগুম ক্লাস তৌরগনি।

ঙসি ৱারী শানবা অদুদা পোইন্ট মরিদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অমা খূৎয়েক পীনখি। পোইন্টশিং অদুদি ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক্না ফাজিনখিবা মীওই খুদিংমক কন্দিসন য়াওদনা থাদোকপা, থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবী রবিনা অমসুং অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিংদা মতিক চাবা ক্ষেত্রিপুরোন পীবা, কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন্স খুদিংমক্তা লাকপা কেসশিং লৈঙাক্না য়েংশিনবা অমসুং এমসু, এম এস এফ, কে এস এ অমদি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি অনী য়াওনা অপূনবা লূপনা চঙশিল্লিবা ক্লাস বোইকোটকী খোঙজং অমসুং অতৈ মখলগী খোঙজং খুদক্তগী হন্দোকপা অসিনি।

ৱারী শানবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পল্লদুনা মিনিষ্টর বিরেননা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না থৌদোক অদুগী মতাংদা জুদিসিএল ইনক্কারি অমা লিংখৎলে। মসিগী মথক্তা গৌহাটি হায় কোর্টকী দিরেক্সন অমগী মতুংইন্না কেস অসি সী বি আইনা লৌখৎনবা হায়খ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থমখি। থৌদোক অসিগী অচুম্বা পুথোক্লবগীদমক জুদিসিএল ইনক্কারি নৎত্রগা সী বি আইনা থিগৎপা অসিদা মীয়াম পূম্নমক্না মতেং পাংনবা লোয়ননা আইনগী মতুংইন্না মরাল লৈবশিং মতিক চাবা দন্দি পীনবা হোৎনসি হায়নসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি হায়না বিরেননা পাউদমখি। চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু অপূনবা লূপনসু তরাম্না ওকখি হায়নসু মিনিষ্টর বিরেননা মখা তাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সি মাঙবা হায়বসি মণিপুর পূম্বগী মাঙজবনি। অপূনবা লূপ্না থল্লকপা দাবীশিংগী মনুংদা সব-জুদিস ওইবা ৱাফম কয়া য়াওবা মরম্না লোইনা হায়দোকপা অমসুং থবক ওন্থোকপদা খুদোংচাদবা কয়া লৈখি। ঙসিগী উনবা অদুদা মিনিষ্টর টি এচ দেবেন্দ্র, পি এচ পরিজাৎ, এন জয়চন্দ্র, কে রঞ্জিৎ, এন বিরেন অমসুং দি দি থাইসি অদুগা চীফ সেক্রেটরি, দি জি পি, প্রিন্সিপল সেক্রেটরি (হোম), এদভোকেট জেনরেলনচিংবা ওফিসিএলশিংনা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙসি খূৎয়েক পীনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দর্ষ্টেন্দিং অদুদা অপূনবা লূপকী মায়কৈদগী কোওর্দিনেটর এন বিরেন অমসুং এ লাংদোন, এসিষ্টেন্ট কোওর্দিনেটর এস সঞ্জয়, এমসুগী প্রসিদেন্ট আই জেমস বোন্দ মঙাং, কে এস এগী প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম প্রদিপকুমার, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট এম দি অতাবুদ্দিন, জে এ সী সঞ্জিৎকী কনভিনর টি এচ অনিতা অমসুং কো কনভিনর এন ধনপ্যারি, জে এ সী রবিনাগী কনভিনর এস নোংলৈমা লৈমা অমসুং কো কনভিনর মেরিনা খূৎয়েক পীখি।

মরকসিদা খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কা মরী লৈননা ফাজিনখিবা অপূনবা লূপকী মেম্বরশিং সর্ত্ব অমত্তা য়াওদনা ঙসি জেলদগী থাদোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.১৫ রোম তাবদা সজিৱা জেলদগী থাদোকখ্রবা মীওইশিং অদুদি ওইনাম মমাঙ লৈকায়দগী ওইনাম বিক্রমজিৎ, ইথাই খুনৌদগী করাম সুনিল, ময়ায় কোয়বীদগী য়ূম্নাম জিতেন, ৱাঙুদগী অমোম সোকেন অমসুং হাওরং খুনৌদগী ইরোম ব্রোজেননি। অদুগা মখোয়গা ফামিন্নখিবা থাংমৈবন্দগী আর কে সোলোমোনদি থাদোরকপদুদা য়াওরকখিদে। মহাক হৌজিক হোস্পিটালদা মশাগী অনাবা অমগীদমক লায়কন্নদুনা লৈরি হায়রি।

**জন্যুৱারী ৮, ২০১০ ইং :-** মণিপুর লৈঙাক্না কদাই ফাওবা অচুম্বা তৌরকপগে য়েংনবা তাঞ্জা অমা পীবা ওইনা অপূনবা লূপকী লিচিং মখাদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি লেপ্পলগনি। মহৈ তম্ফমশঙ পূম্নমক লাক্লিবা তারিখ ১১দগী হৌদুনা হান্নগুম লাইরিক তম্বা হৌবীরো হায়না ৱার্কিং কম্মিটি ওফ দি অপূনবা লূপকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কম্মিটি অসিগী ৱাফোঙ কাঙলূপনা ঙসি প্রেসতা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি, খ্বাইরম্বন্দ থৌদোকসু থিজিনহন্নবা সী বি আইদা শীন্নখিবসি মীয়ামগী ঈহৌ অসিগী মহয়নি। খোঙজং অসিনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী অশেংবা মশক অদু লমদম অসিদদা নত্তনা মালেমগী মীয়াম মমাঙদা খঙহনবা ঙমখিবা অসিসু ঈহৌ অসিগী মায় পাকপা অমনি।

মীয়াম্না লাইরিক তম্ববুদি হিংবনা হেন্না মরু ওই হায়বা উৎতুনা থা ৪/৫ রোম ক্লাস বোইকোট তৌবগী খোঙজং চঙশিনবা ঙমখিবগীদমক অপূনবা লূপনা মীয়ামগী ইকায় খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা মসিগুম্বা অপূনবগী লিংজেল অসিনা দেমোক্রেসিগী মায়খুম উপ্তুনা নম্ফু শাফুগী লৈঙাক অসিদগী কনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোরক্লি।

ঈহৌ অসিগী অশোনবা মওং ফোঙদোক্লদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, ঈহৌ অসি তাঙ্কক অমগী ওইনা মায় পাল্লবসু মপূং ফানা মায় পাকপদি ঙমদ্রি হায়বা য়াই। খুন্নাই অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মহৈরোয় লূপশিংগী মরক্তা খুন্নাই অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম অদু মশক মুন্না খঙমিন্নবা ঙমদবদগী অপূনবা পাঙ্গল শোন্থহনবা থবক তৌনরকখিবা অসি অশোনবা খুদম অমনি।

দেমোক্রেসিগী মিংদা লমদম অসিদা লৈরিবা শুপ্নম শাসনগী লৈঙাক অসিনা হাৎনীংবা মওংদা মীচম মীয়াম অমা হাৎখ্রে। ঈহৌ চঙশিল্লিঙৈ মরক্তসু মরাল লৈতবা মীওই কয়া অমা হাৎখি। হৌখিবা কুমজা ২০০৯ খক্তদা শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্লবদা শিখিবা মী ৪০০ হেনখি। মসিনা ঐখোয়গী খুন্নাই অসি তেংথাখোলতনা নিল্লবা খুন্নাই অমা ওইহনবীরে হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

মণিপুর এসেমব্লিবু লান্না লমজিংহনখিবা অদুদা চেন্নবা পুলিস ওফিসরশিংগী মথক্তসু লৈঙাক অসিনা এক্সন অমত্তা লৌখৎনীংদে। চীফ মিনিষ্টরনা হাওসপু লান্না লমজিংখিবা অদুগীদমক মহাক মশানা ফম থাদোকপা ঙমদবা হায়বসিসু দেমোক্রেসিবু লান্না লমজিংবনি। এম এল এশিংনা তূমিন্না লৈরিবা অসিসু লালহৌবা নমথনবগী ওইরবদি মীচম পংহাত্তা হাৎপদা মখোয় লোইনমক্না অয়াবা পীরে হায়বনি। লৈরিবা ফীভম অসি রুল ওফ লো লৈত্রে, দেমোক্রেসি চৎনদ্রে হায়না লৌবদা করিসু কায়দ্রে হায়বনি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা লূপ অমদি মীয়াম্না মী অমবু লোগী মতুংইন্না ফারগা ৱায়েল বিচার তৌরবা মতুংদা চৈরাক পীবা পাম্মী। মরাল লৈরে হায়না খঙলবফাওবা কোর্টনা শিবগী চৈরাক পীনদ্রবা মতমসিদা য়ুনিফোর্ম শেৎপা কম্যান্দোশিংনা তৌরিবা থৌওং অসিদি জুদিসিএরি লৈত্রবসু য়ারে হায়বনি। রুল ওফ লো থুগাইদুনা থবক চথবা অসুম য়াহল্লবা, মীয়ামগী পুন্সি ঙাক শেনগদবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা পৱর লান্না শীজিন্নদুনা হাৎনীংবা মওংদা মী হাৎপদা লৈঙাকলোইশিংনসু কনখৎতুনা থল্লবদি রুল ওফ লোগী মথক্তা ‘সুপর রুল ওফ লো’ থোরকপা মশানা তাবনি। মসিগুম্বা দেমোক্রেসিবু লৈখা তাহনবা, মীচম মীয়ামগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা খনবা লৈঙাক থৌওং অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা অপূনবা লূপ অমসুং মহৈরোয়শিংনা মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা থা ৬ হেন্না খোঙজং চথ্নরকখিবনি। মীৎয়েং অসিদগী মণিপুর মীয়ামগী পুন্সি কনবগী ঈহৌ অসি তশেংবদি মণিপুরদা অশেংবা দেমোক্রেসি পুরক্নবা ঈহৌ অমসু ওইরবনি হায়রি।

মীয়ামগী পুন্সি কনবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম অসিবু নাথৈদুনা থমখিনবা হিংবগী হকতগী মহৈ মশীন তম্বগী হকনা হেন্না মরু ওই হায়বা তানীং তামাং ওন্নবা ৱাখল্লোন অসিগী ইথিল চঙখিদুনা ক্লাস বোইকোট হন্দোকপীরো, লৈঙাক্কা য়ানবা অমা পুবিরকউ হায়বা খোল্লাউ অমা নাকল অমরোমদগী থোরকখিবসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

ওইরক্লিবা ফীভম অসি মুন্না খন্নরবা মতুংদা ঈহৌ লেপ্তুনা চঙশিনবদগী থেংনরিবা অৱা অনাদগী খরা পোত্থানবা অমদি মহৈরোয়শিংদসু লাইরিক অমুক হন্না তম্বা ফংহন্নবগীদমক মতম খরা ঈহৌ লেপ্পগী ৱারেপ অসি লৌবনি। অদুবু ফোটোগা কোন্নবা ইভিদেন্সসু লৈরবা মীয়াম্না ইফোং ফোংনা খঙনরবা অচুম্বদু অরানবা তাহন্নবা সী বি আইনসু হোৎনরক্লবদি মখা তানা হেন্না কনবা ঈহৌ চঙশিনবা হায়বসি অপূনবা লূপকী ফিরেপনি হায়বা ৱাফমসু চেরোল অসিদা ফোঙদোরক্লি।

**জন্যুৱারী ৮, ২০১০ ইং :-** জুলাই ২৩গী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী মথক্তা লৈরিবা কেস অদু লোইশিন্দ্রবসু মহাক্কী ইমুং মনুংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে হায়না এদভোকেট খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ২৩গী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি অরোইবা ওইনা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকখিবা অদুগা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল নাগামপালদা লৈবা সেনিয়র সিটিজন্স ফোরম ফোর সোসাইটিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এদভোকেট খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

জুলাই ২৩গী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি অরোইবা ওইনা ৱারী শানদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকখিবা অদুগা মরী লৈননা ঙসি নুংথিল নাগামপালদা লৈবা সেনিয়র সিটিজেন্স ফোরম ফোর সোসাইটিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা এদভোকেট খাইদেম মনিনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, ঙসি চীফ মিনিষ্টর য়াওনা অপূনবা লূপ, এমসু, কে এস ও অমসুং এম এস এফ অমদি সঞ্জিৎ অমসুং রবিনাগী জে এ সী অনীগী মীহুৎ য়াওনা ৱারী শানখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট মরিদা য়ানরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা লৈখিদ্রবা সঞ্জিৎকী মতাংদদি মহাক অসি মীচমনি, নত্তে হায়বগী কেস অমা লৈবনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিমত্তা তৌবা য়াদে, অদুম ওইনমক মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকখি। ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিবা অদুদা মহাক্না থাগৎপসু ফোঙদোকখি। ●